# ঐসিবু কনানো? কদাইদগী লাকপনো?



- এস ইন্দ্রকুমার-

ৰারেংসিগী মিংথোল ওইনা শীজিন্নরিবা 'ঐ' - মিংথোল অমা লৌরগা, মণিপুর (ইম্ফাল) গী মফম অমদা চঙজফম লৌরগা লৈরিবা মীশক অদু নৎচদে। ঐগুন্বা তোঙান তোঙানবা মফমদা, তোঙান তোঙানবা মিং অমমম থোন্দুনা মীতৈনি, নাগানি, পাঙলনি, কুকিনি হায়জরিবা মখোয় পূন্নমক্তুগী অসুপ্পা মশক অমা ওইনা শীজিন্নজবা ৰাহে অমনি। ৰারেংসিদা মখা তানা ইজরক্কদৌরিবা ৰাহে পূন্নমক ইরন্নাইগী ওইবা ৰাফম অমত্তা নত্তে।

চীংমী অমসুং তম্মী হায়রগা সুপচিন্না খঙনবা মী মখল অনীখক্কি মণিপুরদা খুন্দারিবা। ঙল্লিঙৈ মতমদা হাও অমসুং মীতৈ হায়না খঙনরম্মী। মতমগী য়াওলদা হোংলকপা ৰাখল্লোন অসিনা 'হাও' হায়বা ৰাহে অসি কাঙলূপ অমবু হন্থনা য়েংবগী মওংদা, 'দিরোগেটরি' ওইবা ৰাহে অমনি হায়না খন্নরকপদগী ৰাহে অসি শীজিন্নবা তপ্না-তপ্না তোক্লরকখি। তশেংবদি, অরিবা মতমগী মণিপুরগী পুৰারীদা য়াওবা, কৌব্রু চীংদোল'দা খুন্দারম্বা 'লৈ-হাও' কৌবা মীশক অমগী চাদা-নাউদা (ফূরুপ) অমা ওইনা খঙনরম্বদগী লৈ হায়বদু লৌথোকখ্রগা 'হাও' হায়বদু লৌহৌবা ওইরম্বসু য়াই। চৈথারোল কুম্বাবগী মতুংইন্না লমদমসিদা খুন্দাদুনা লৈরম্বা, অহানবা খুন থোকপা নুপা, মীতৈশিংগী অহানবা মপা-মপুদুগী মমিং পোইরৈতোন কৌই (পোইরৈতোন খুন্থোক)। মফমদুদা থুংলবা (কদায়দগী থুংলবনো হায়বদুদি তাক্লমদে) পাখঙবা অমদি মাগী খোঙলোয়শিং অদুবু পোইরৈতোন' না, অতোপ্পা মী (মী+অতৈ) নি হায়দুনা 'মীতৈ' মিংথোল পীখিবনি হায়বসিসু ৰাগী ৰাখুন অমনি। কাইনথংদা পাখঙবনা পোইরৈতোনগী মচনুপী 'লৈস্না' বু লুহোংদুনা লৌরগা মফমদুদা খুন্দাখি। মাগী চাদা নাউদাশিং ফূরুপ অদুবু মীতৈ হায়না খঙনখি। পোইরৈতোনগী লমনি হায়দুনা 'পোইরৈ লমদম' কৌরম্বা, মমৈথংদা 'মীতৈ লৈবাক', মীতৈ-লৈবাক'তগী থৈথরক্তুনা 'মৈত্রবাক' হায়না খঙনখি।

অচুম-অরানগী ৰাদুদি, ৰারীশিংসি পাবীরিবা অখঙ-অহে ময়ামগী ৰাখলদুনা খন্থজরসনু। মীতৈ হায়বসি কনানো? নাগা হায়বসিনা করম্বনো? কদায়দগী লাকপনো? কৈদৌঙৈ করম্না থুংলখিবনো? চপ চাবা খুদম চাংদম, ফুল-প্রুফ ইভিদেন্স অমগা লোয়ননা কনানসু হায়বা ঙমদে। ইনরিবা ৰারী পূন্নমক 'হাইপোথেসিস' (চপ চাবা প্রমান ফংদ্রিবা, য়েৎননিংঙাই ওইরিবা ৰা) ঙাক্তনি ইতিহাস নৈনবা হিষ্টরিয়ন কয়ানা ঙসিসু নৈনবা লেপ্তুরি। চৈথারোল কুম্বাবগী মতুংইন্নদি মণিপুরগী ইতিহাস ইবসি 'নোংদা লাইরেন পাখঙব'না ফম্বাল তোংবা চহী, জিসস খ্রাইষ্ট শিখ্রবা মতুং ৩৩শুবদগী হৌই। অতোপ্পা ইতিহাসকার খরনদি মণিপুরগী ইতিহাস, খৃষ্ট প্রোক্তিঙৈ চহী ১৪০৫দগী হৌখ্রে হায়। পি ললিত'না ইবা 'এ ব্রিফ হিষ্ট্রি ওফ মণিপুর' গী মতুংইন্না ময়ায়থংবা চিনাগী শরুক্তা পাল্লম্বা 'তাং-সাং' দাইনেষ্টি (১৫২৩-১০২৭, খৃ: মমাং) গী মীওই খরা মণিপুরদা লাক্তুনা, কৌব্রু চীংগী চীংদোন্দা 'লৈ-হাও' ফূরুপকী মীওইশিংগা পূন্না খুন্দামিন্নখি। কাঙলূপ্তুগী লুচিংবা অদুনা 'লৈ-হাও' শিংগী লুচিংবগী মচানুপী 'শিনবী-লৈম'বু লুহোংদুনা লৌখি (খৃ: মমাঙ ১৪৪৫)। লীনবু লাইগুম লাৎচবা কাঙলূপনি, 'তাং-জ-লীন-পাখঙবা' হায়বা মিংথোল লৌদুনা নিংথৌ ওইনা পাল্লকখি। খৃ: মমাং ১৪০৫ ফাওবা পাল্লম্মী। মাগী তালোয় 'শিনবী লৈম'না 'কাংব' কৌবা মপারী অমা পোকখি। 'কাংব'না নিংথৌ ওইবা চহীদুদগী মীতৈ-নিংথৌরোল (মীতৈ কিংদম) গী অহৌবনি। ৰারীসিবুসু ঐখোয়না হুন্দোক-খন্দোক য়াদবগী মরম লৈ। 'তাং-শাং' কৌবা হঙোই অমগী মমিং করম্না থোনখিবা? পাখঙবগী শক্তমবু 'তাং-জ-লিন' গী মথেক নাইবা শক্লোন ওইনা করম' ঈরাৎনরল্লিবা? ৰাহংসিগী পাউখুম, ৰারীসিদগী ফংগুম তৌরকই।

অতোপ্পা ৰারী অমগী ৰাগী ৰাখুন ওইরিবা পোইরৈতোন অমদি মাগী তালোয় লৈমা লৈনাওতবী অনীনা মণিপুরদা লাকখিবা, খৃ: মমাং ৩৪-১৮ অদুৰাইদনি। 'চীংখোঙ পোইরৈতোন' - চিনা, বর্মা, তিবেট অহুমগী লোন্নবদা লৈবা 'খমতিলোং'ঙ কৌবা লম অদুদগী লাকখিবনি। হান্না উখুলদা থুংলগা, ঈশিংগী অৰাবা লৈবা মফমসিদা খুন-থোকপা খুদোংচারোই খন্দুনা, মথঙ মথঙ চঙশিল্লক্তুনা কংলাতোংবী য়ৌরকপদা পাক চাউরবা থেল অমদি ঈশিং মরাং কায়বদুগী য়েংলগা মফমদুদা খুন্দাখি। মাগী মমিং লৌরগা পোইরৈ-লম মিংথোনখি। হান্না-খুন্দারল্লবা 'তাং-শাং' ফূরুপকী মীওইশিংগা চারৌ-মৌরৌনদুনা পাক্ল-শন্না খুন্থোক্লকখি। পোইরৈ-লমগী মীশিংবু 'পোইরৈ-মীতৈ' মিংথোনখি।

শোয়বা নাইদবা, চেনবা য়াদবা ইভিদেন্স ময়ামদা শাগৎপা নত্তবা চীন্থাং ৰারীদা য়ূম্ফম ওইবা ৰারীশিংদুই মনুংদা লৌখৎপা য়াবা, থাজবা য়াবা অম'নীদং লৌখত্তুনা ৰারেংসিদা ইথোকচবনি। ঐখোয়সিবু কনানো? কদাইদগী লাকপনো? কনাগী চাদা নাউদানো? চপ চাবা অমত্তং খঙনীংই। হায়নৈদনা - অওনবা কয়া লাক্লবসু মীওইবনা কাউরোইদবদি হৌরকফমনি। ঐগী অহানবা হৌরকফমদু ঐহাক্কীদি ঈশ্বরনি। ৰাফম অসি থাজবা ঐহাকখক্তা নত্তে, তাইবঙ মীওই-পূন্নমক্কি। অদুনবু হায়নরিবনি - শেন্থীবা মপু মহাক্তু পূন্নমক্কী ঈশ্বরনি।

অসুম্না অরিবা মতমগী এনসিয়েন্ট হিষ্ট্রি নৈনরুবদা মফম অমত্তদা থেংনরোই 'নাগা' কৌবা মীওই ফূরুপ অমত্তগী হৌরক-ৰারী। তাঙ্খুল, কবুই, মাও, মরাম, মরিং, চোথে, কোম, পাইতে, সিমতে, মার... ফূরুপ মচা মচাশিংগীসু হৌরকফম ৰারী লৈগনি - কদায়দগী লাকপনো? কৈদৌঙৈ 'সিদা থুংলবনো? হান্না লাকপা, কোন্না লাকপা হায়বদুনা অমনি, ঐখোয় পূন্নমক অতোপ্পা মফমদগী লাকখিবা ঙাক্তনি হায়বসিমদি ৰারী শীংবুল কয়াসিনা তাকই। পাঙল হায়না খঙনবা, লাইনীং লন্বী অমদা (ইস্লাম) য়ূম্ফম ওইরগা ফূরুপ অমা শেমখিবা মখোয়গীদি নাখে শেংই- কদাইদগী কমদৌনা, কৈদৌঙৈ থুংলখিবনো?

ইজরিবা ৰারেংসিগী পান্দম - মীতৈ, নাগা, কুকি, পাঙলশিংগী হৌরকফম তাকপা ৰারীশিংদু নৌনা অমুক ইথোক্লগা মীয়ামদা পাউদমজবা অদু নত্তে। ঙসিগী অচৌবা পোলিটিকেল ইস্যু অমা ওইরক্লবা - নাগা আইদেন্টিটি, কুকি আইদেন্টিটি, মখোয়গী মপা-মপুগী লম, হোমলেন্দ তোখায়না তানগনি হায়বগুম্বা, মীতৈশিংগী মায়োক্তা অপান্ননা ঈহৌ অমা হৌবা মানবা থবক থৌওং অমা চত্থরকপসিদা অসিগুম্বা ৰারীসি ঐখোয় খঙফম থোক্তবরা? হায়বগুম্বা ৰাখল অমা ফাওরক্তুনা ইরুবনি। হায়নবা লৈ - অওনবা কয়া লাক্লবসু মীওইবনা কাউরোইদবদি হৌরকফমনি'... 'নশাবু মীনা ইকায়খুম্নহন্নীংলবা, মীবুসু ইকায়খুম্নবা তম্মু'...।

মতম চুপ্পদা মীতৈশিংনা মীতৈ নেশনেলিজমগী ৰা ঙাঙখিদে। হোয়, মণিপুরী নেশনেলিজমগী ৰাদি হায়- মণিপুর কৌবা নেশন অমা লৈরম্মী, তোঙান তোঙানবা ফূরুপশিংনা শাগৎপা, মশাগী তোপ তোপ্পা আইদেন্টিটি অমা লৈজবা। চহী লিশীং কয়াদগী অমনা অমবু ইকায়খুম্নুনা লৈমিন্নরকই। ৰারীদুগী ৰাহৌদুনি ৰারেংসিগী ৰাহৌ ওইনা পঞ্জখ্রিবা। মতমগী অহোংবা কয়াসিনা ৰাখলদা অহোংবা লাকহল্লি, 'নাগা' কৌবা অনৌবা মিংথোল অমা বৃটিশশিংনা শেল্লম্বদু লৌরগা ফূরুপ মচা মচা কয়া অসাম, অরুনাচল, মণিপুর, নাগালেন্দ'দা লৈরম্বশিং ছাতিন অমনা কুপ্পগুম কুপশিন্দুনা থম্নবা 'পোলিটিকেল মুভ' অমা ১৯শুবা চহীচাগী অথেংবা, ২০শুবা চহীচাগী অঙনবদগী থাংলকখি। লীশাং শিৎপা ঈহৌদুগী মহয়নি - 'নাগা নেশনেলিজম'। নাগা নেশনেলিজমগী পাউখুম্নি- 'কুকি নেশনেলিজম'। অনীমক্কী হৌফমনি - 'মণিপুরী নেশনেলিজম'। মণিপুরী নেশনেলিজম - মীতৈশিংগী ৰাখল মমিনি।

ঐখোয় অমত্তনি, ঐখোয়গী হৌরকফম অমত্তনি, ইমা অমত্তগী মচানি হায়বসিদা থাজবা কাঙলূপ অমগা, অপূনবই খোল্লাও লাউবসি পাঙদবগী লীচৎনি, অশোনবনা মীচং খোম্বনি হায়বসিদা থাজবা কাঙলূপ অমগা-মান্নদবা ৰাখল অনী মুক্লবগী মহয়নি-মচেৎ তারবা নেশনেলিজম। ঐ কনানো? কদাইদগী লাকপনো? লাকপা কয়াম কুইরবা? পূন্নমকসি খঙমিন্নদনা অমত্তা ওইবই ৰাখল্লোন কদায়দইনো পোক্তৌ'বা! ঐখোয়তগী ৰা নত্তে, মুন্না থিজিল্লুরবা, এসিয়ন-রুসিয়ন-অমেরিকান- হৌফম অমত্তা ওইরম্লি। খ্বাইদই নৌবা সাইন্টিফিক থিওরি মতুংইন্না-মীওইবা কৌবা ফূরুপসিগী হৌরকফম অফ্রিকা কৌবা লমসিনি, অফ্রিকান ফূরুপ অসিনা মীওইবগী অহানবা মপুখৌ পুরেন অদুনি। ৰাফম অসি য়ানীংব্রা? য়াবা-য়াদবা হায়'দুনা অদোমগী লন্নাই ৰাখলনি। সাইন্টিফিক এক্সপরিমেন্ট'নি হায়বনি - অমেরিকান, ওষ্ট্রেলিয়ন, চাইনিজ, ইন্দিয়ন, য়ুরোপিয়ন - পূন্নমক্কী হৌরকফমনি অফ্রিকা। ●

# নিংঙোম্বম ফৈরাবা এৱার্দ ২০২৫ ফংলবা ওজা খাঙেনবম শামুঙৌ



- তোংব্রম অমরজিৎ -

মহৌশা (প্রকৃতি) গা মীওইবগা তৎন-থানবা য়াদ্রবা মরী অমা লৈ হায়বসি য়াম্না অঙনবা মতম থায়নদগী হৌনা মীওইবা খুন্নাইনা খঙলগা লাকই। মসিগী খুদমসি অরিবা সিভিলাইজেশনগী চৎনবী থাজনবী, ঈরাৎ থৌনিগী থৌরমশিং অমদি লাইনীংলোন্দা মমি চাউনা তাদুনা লাক্লি। অচৌবা তলা পামেলশিংবু লাই ওইনা নীংনবা লাৎনবা, অচৌবা চীংজাও তুরেলশিং, থৌদু নুংজাওশিং লাই ওইনা নীংনরি ঙসিসু। মসি মালেমগী লৈবাক কয়াদা লৈরিবা কাঙলূপ ফূরুপ কয়ানা ঙসিসু অদুম্মক তৌনরিবা থৌওং অমনি। লন্নক্কী শা-উচেকশিং, হৈরাং লৈরাংশিং, উপাল ৰাপালশিং অমদি ঙা মখলশিং ফাওবা লম অমগী লৈবাক অমগী ষ্টেট অমগী নেশনল বর্দ, নেশনল এনিমেল, ষ্টেট বর্দ অমদি ফিশ অসিনচিংবা তোঙান তোঙানবা শা উচেক মখলশিং, উপাল ৰাপাল মখলশিং অখন্ননা লৌখৎতুনা মখোয়বু ঙাক শেন্নবা হোৎনরি। ফূরুপ অমগী চাওথোকচফম ওইনরি। মসিগুম্বা থৌরাংশিং অসি পায়খৎলিবগী মপান্থোংগী ৰাহন্থোক অমদি নুংগী ওইবা ৰাহন্থোক অমমম লৈরিবনি। অদুবু য়াম্না লুনা হকচিন্না খন্থরুদে তাইবঙ ওইবশিংনা। ঈশিংদা, কংফালদা, তরং-মালংদা তাংজদুনা হিংলিবা লমলক্কী শা-উচেক, উপাল ৰাপাল থৰায় পানবা পূন্নমক্কা মীওইবগা তৎন-থানবা য়াদ্রবা শকউদবা মরী অমা লৈনরি। হায়রিবা কোস্মিক রিলেশন, ইনর্জিগী ফ্লো অমনা অমত্তা ওইনা পুনশিল্লগা তাইবঙ মালেম অসি শেল্লিবনি হায়বসি ঙসিগী চাওখৎলে হায়না খঞ্জরিবা তাইবঙ মীওইবনা হেক হেক নীংশিংদবা মতৌশিংনা গ্লোবেল ৱার্মিং অমদি ক্লাইমেট চেঞ্জগী ইম্পেক্টনা মালেম পূম্বদা এক্সত্রিম ওইবা ক্লাইমেট মায়োক্লরক্লবা মতমসিদা থেংনা মশক খঙলক্লি। অনাবনা ক্রিটিকেল ওইবা ফীভমদা লৈরগা হোস্পিটালদা লায়েংনবা পুখৎপা অমগুম ঙসিদি মালেম শিনবা থুংনা ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেগী থৌরমশিং পাঙথোক্লরক্লি। মহৌশা মহাক্কী খোঙচৎ কায়রে হায়বসিদি পূন্নমক্লা খঙনরে। তৌইগুম্বসুং মীওইবগী করাম চাউবা মশাগীতা খনবা মতৌনা ঙসি ঙসিমকসু মশানা মশাগী মঙফম শেম্বগুম থোক্লক্লি । মসি ৱার্নিং অমনি। খুদোংথীবা থোক্লক্কদৌরে হায়বগী ইঙ্গিৎ পীরবনি। হৌখিবা চয়োল খরসিদা মণিপুরদা থেংনরিবা ঈশিং ঈচাওগী অৰাবা, খুদোংথীবা অমদি নাতৈ চাদ্রবা ঈচাওগী হৌরকফম ঐখোয় পূন্নমক্কী ওইনা লৈখিবা অশোয়বা অমদি লৈঙাক্কী মায়কৈদা থৌশিল থৌরাং মতম চানা অমদি পুকচেল শেংনা তৌখিদবা অদুগী মহয়ননি হায়দবা য়ারোই। মরমদি মমাঙ চহীদসু ফ্লাস ফ্লন্দকী খুদোংচাদবা পূন্নমক্লা মায়োক্লখি। ইম্ফাল ভেল্লি অসিমক পাৎ খরা ফুঞ্জিল্লগা ওইরকখিবা সহর ওইরকপদুনসু ইস্যু অসিগী হৌরকফম ওইরি। লম্ফেলপাৎ, পোরোম্পাৎ, সঙ্গাইপাৎ, হৈঙাং পাৎ অসিনচিংবশিং ঙসিদি পাৎ ওইনা উরিবসি শরুক খরা নত্তনা অমদি মমিংদুতং নত্তনা অয়াম্বদি পাৎ ওইদ্রে। অচৌবা তুরেল ওইনা লৈরম্বশিং লৌখোং মচা অমগুম্না লৈরকপা অমদি তুরেল খোংনুং ফুঞ্জিনবনা ফ্লাস ফ্লন্দ থোকপগী মরম অমদি ওইরি। মহৌশাগী খোঙচৎ হন্না হন্না থুগায়রিবসি মীওইবনা ওইরি। মসিগী অৰাবা ফল মীওইবনা অদুমক ফংলি।

ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দে নুমিৎ অসিমক ১৯৭২দা ষ্টোকহোল্মদা পাঙথোকখিবা য়ুনাইটেদ নেশন্সকী হ্যুমেন ইনভাইরোনমেন্টকী মীফম্না লেপ্পখিবা নুমিৎ অমনি। ইহান হানবা নীংশিং থৌরম্না ১৯৭৩দা "Only One Earth" হায়বা থিম অসিদা জুন ৫দগী পাঙথোকপা হৌখি। মসিগী মতুংদা চহী খুদিংগী থৌরম অসিবু য়ূম্থু ওইদুনা থিম অমমম পীদুনা মালেমগী লৈবাক কয়াদা লেপ্তুনা ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দে পাঙথোরক্লি। কুমসি চহীগীসু 'বিট প্লাষ্টিক পোল্যুশন' হায়বা থিমদা পাঙথোক্লি।

মালেম পৃথিবী অসিমক মীওইবা ফূরুপকী অমত্তা ঙাইরবা লাইরম্লোনসুনি অদুগা মীরমলেনসুনি। মীওইবনা শেৎলিবা, থক্লিবা খুদিংমক মালেম লৈবাক অসিদা ফংবা ঙাক্তনি। মসিদা ঐখোয় মীওইবনা মহৌশা হায়বসি য়াওদ্রবদি হিংবা ঙমদে হায়বসি হেক হেক কাউথোক্লি। মসি ঐখোয়গী ঙাকপীবা ঙম্লোইদবা ইরাল অমনি। ইরাল অসিবু কোক্লবা চহী চুপ্পা ঐখোয় মহৌশাবু নীংশিংবা অমদি নুংশিনা খনবা অমদি চঙলি। তঙাইফদবা খরা শীজিন্নবা নত্তনা কা হেন্না মহৌশাগী রিছোর্সশিং শীজিন্নবা খরসু লেপ্পা মথৌ তাগনি। হৌরক্লিবা তুংগী মীরোলশিংগীসু ঐখোয়না বেঙ্কতা সেভিং তৌবগুম রিছোর্সশিং তুংশিনবা তঙাইফদে।

মণিপুরদদি থায়নদগী হৌনা উমং শেমগৎপা, য়োকখৎপা অমদি মহৌশা মহাক্কা কিনা লুনা নুংশিনা লোয়নরকপগী খুদম পূন্নমক ঐখোয়গী উমং লাই হরাওবদা ময়েক শেংনা উদুনা লাক্লি। লৈশেম নোংশেম্বগী, খুঞ্জাও লৈচাওনবা, চাকহোঙ ঙাহোঙনবা পূন্নমক লাই হরাওবগী থৌনি থৌরম কয়াদা উবা ফংই। মসি পূন্নমক লৌশিনবা উশিনবা অমদি খঙজিনবা হৈবা অমদি মথৌ তাগনি।

মণিপুরদা খোরিরোলগী লূপ অমা ওইরিবা সাহিত্য থৌপাং লূপনা শিন্দুনা পাঙথোকপা ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেগী থৌরমগা মরী লৈননা কুমসি চহী ২০২৫গী ওইনা ইনভাইরনমেন্টেলিষ্ট অমদি অইবা ওজা খাঙেনবম শামুঙৌদা লেমজনীংঙাই ওইরবা নিংঙোম্বম ফৈরাবা এৱার্দ পীদুনা ওজা শামুঙৌনা ইকোলোজি অমসুং মহৌশা অকোয়বগী ফীভম ঙাক শেন্নবা হোৎনবদা লৌরিবা মপাল নাইদ্রবা থৌদাং অদুবু ইকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা মনা অসি পীখি। নীংশিংবা য়াবদি ওজা শামুঙৌ ২০১৮দসু সাহিত্য একাদেমিনা পীবা লেমজনীংঙাই ওইরবা বাল সাহিত্য পুরুস্কার ফংখ্রবা মণিপুরী খোরিরোলগী অইবা অমসুনি। মনা অসি ফংখিবা মহাক্কী লাইরিক্লা 'মহৌশা লাইরেন্বীগী মশাইগোন্দা থিরুসি লাউ য়েংলুসি লাউ' হায়না মিংথোনবা অঙাংশিংগী খোরিরোলদা য়ূম্ফম ওইবনি। হৌজিক ফাওবা ইনভাইরোনমেন্টকা মরী লৈনবা অমদি মণিপুরী খোরিরোলদা পূন্না লাইরিক ২২ হেন্না খুদোল তমখ্রবা অইবনি। মহাক্লা বাইওদাইভর্সিটি কন্নবা হোৎনরিবা মপাল নাইদ্রবা থৌদাংবু শকখঙবা অমদি ইকায়খুম্নবা ওইনা 'অদাম ইনভাইরোনমেন্ট এৱার্দ, মণিপুর লৈঙাক্কী দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্টনা পীবা সর্টিফিকেট ওফ এপ্রিসিএশন ফংখ্রে। মসিদসু নত্তনা 'হিরোসিমাগী ৰাইনু পরেং' কৌবা রেদিও লীলাগীদমক ওল ইন্দিয়া অকাসবানি মেরিট প্রাইজ ফংখিবা লৈরে। দি এম কোলেজদা মতম শাংনা ওজা ওইদুনা মহৈরোয়শিং তাকপী তন্বীরল্লবা মতুংদা থবক্তগী পোথারে। অদুবু বাইওদাইভর্সিটি কন্নবা হোৎনবদদি পোথাবা হায়বা লৈতে। মীয়াম্না সঙাই শামুঙৌ হায়রগা হেন্না খঙনবীরবা ওজনা ঙসিসু চোকথবা লৈতনা কৈবুল লমজাও নত্তনা মালেমগী মফম অতৈদা ফংদ্রবা য়ারৌ সঙাইগীদমক লৈজবা পাঙ্গল থৌনা লৌশিং পুথোক্তুনা শজি অসিগীদমক হোৎনবা লেপত্রি। হৌজিকসু সঙাই ফর্ষ্ট ফাউন্দেশনগীদমক হোৎনরি।



ইনভাইরনমেন্ট দেগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা টি ঐচ মোহেন্দ্র প্রতাপ (রিটাইয়র্দ আই এফ এস) অমদি প্রসিদেন্ট আর কে বুধিমন্তনা ডা. কে ঐচ শামুঙৌদা এৱার্দ খূৎশিন্নখিবা

খাঙেনবম বোকুল অমদি চাউবীগী মপারি ওইনা ডা. শামুঙৌ ১৯৪৩গী এপ্রিল ২২দা হৈক্রুজমদা তাইবঙ খোঙদারকখি। হৌজিক্লা নম্বোল মখা লৈকায়দা লৈরি। পুর্নিমাসিগা তাইবঙ য়ূম্বান পূন্সিদা খোঙদামিন্নদুনা মচানুপা মরি অমসুং মচানুপী অনীগী অপোকপা ওইবসু ফংজখি। অমেরিকাদা মশক নাইৰবী রচেল কার্সননা মহৌশা অমদি অকোয়বগী ফীভম ঙাক শেন্নবা হোৎনবদা লৌখিবা শীংথানীংঙাই ওইরবা থৌদাং অমদি লাইরিক কয়া ইদুনা মীয়ামদা এৱেয়র্নেস পীখিবা অদুগুম্না মণিপুরদসু ওজা শামুঙৌনা ঙসিদগী চহী ৪০/৫০গী মমাঙদগী সাইন্সকী ওইবা মিৎয়েংদগী মহৌশা অকোয়বগী ফীভম কন্নবা অঙকপা ফংনা হোৎনদুনা লাক্লি। ঙসিসু চোকথবা লৈতে । লোক্তাক পাৎ কনবদা, মণিপুরী চীংশাং নাপোম কনবদা, লমলক্কী জীব পানবশিং কন্নবা মখোয়বু ঙাকপী শেনবীবনা মহাক্কী থৌদাংনি খঞ্জবা অতাঙবা মীওই অমনি। হৌজিকসু তোঙান তোঙানবা লূপ কয়াগা খূৎশম্নদুনা মহৌশাগী অকোয়বগী ফীভম ঙাক শেনবদা চোকথবা লৈতে। ইন্দিয়ন বার্দ কঞ্জার্ভেশন নেটৱর্ক, বোম্বে নেচরেল হিষ্ট্রি সোসাইটি, ইনভাইরোনমেন্টেল এন্দ সোশল এন্দ রিফোর্মেশন্স এন্দ সঙাই প্রোটেক্সন ফোরম, বৃটিশ দিয়র সোসাইটি, মণিপুর বার্দ সোসাইটি, বি নেট মণিপুর অসিনচিংবা লূপ কয়াদা পূন্না থবক তৌবা লেপ্পে, এৱেয়র পীরি। মসিমক তমজনীংঙাইনি অমদি পূন্নমক্লা চাউথোকচফম থোকই। ●

এদিটরদা থারকপা ৰাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাও, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## পিকচর'সু এম এল এ নিশিকান্তগী অশানবা মীৎয়েং

*ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,*

এম এল এ হায়বসি মীয়াম্না য়ারবা মীয়ামগী মীহুৎনি। লাইবক ফদুনা কেবিনেট মিনিষ্টর ওইখ্রগনা মহাক্কী কন্সটিট্যুএন্সি অদুতা নত্তনা ষ্টেটকী মপী-মপা ওইখ্রে। মিনিষ্টর ওইবা-ওইদবা ইলেক্সন্দবু মায় পাক্ল'দি লো মেকর ওইরে, লুচিংবা অমা ওইরে। এম এল এ অমগীসু তৌগদবা থৌদাং খজিক-খরাক ওইদে। এম এল এগী থৌদাং মশক খঙনা পাঙথোকপা ঙম্বা মহাক্তুদি মীয়াম্না অদুম শরু-শোন্নরক্কনি, নুংশিনা ঙাঙনরক্কনি। কৈশামথোং এ সীদা ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ওইনা মায় পাক্লকখ্রবা সাপম নিশিকান্ত, মৈবু ফিনা কুপ্পা য়াদবগুম এম এল এ অমা ওইনা তপ্না-তপ্না মঙাল নাইরক্লি। থাজরকই, লায়েংদৌ শরুক নাদনবা হোৎনবনা অচুম্বা খোঙথাংনি হায়বদু।

হন্দক্তা মেগী অরোইবা শরুক্তগী ইন্দিয়া পূম্বদা য়াম্না ঙনখৎনা লাকখিবা মোন্সুননা অকনবা নোংজু ওনখিদুনা ষ্টেট অয়াম্বদা নোং কা হেন্না চুখি, অকনবা নুংশিৎ শীৎখি। মণিপুরদসু কা হেন্না নোং চুবনা মরম ওইদুনা ইম্ফাল সহর য়াওনা দিষ্ট্রিক্ট কয়া ঈচাওগী অৰাবা মায়োক্লখি। হৌজিক হৌজিকসু মীওই কয়া রিলিফ কেম্পতা লৈনরি। অদুবু তুংদা লাক্কদবা পোমিৎ খঙলবা এম এল এ সাপম নিশিকান্তনদি শান্না উবা মীৎয়েংদা মাগী কন্সটিট্যুএন্সি কৈশামথোংদা খূৎশেমগী ঈচাও থোক্তনবা লৌখৎপা য়াবা চেকশিন থৌরাংশিং মতম চানা মহাক্কী 'টিম নিশিকান্ত'দা শিন্নদুনা কৈশামথোংগী মফম পূন্নমক্তা লৈরিবা ইরম-নালা শেন্বা-শাবা, ইরম তেংথোকহৌবা, অকায়বা উকু শেমজিন-শাজিনবা অমদি খ্বাইদগী মরু ওইরিবা ৰাইশেল মরীল নিংথিনা তেংহৌদুনা কৈশামথোংগী মীয়াম অৰা-অনা নংহৌদ্রে। মসিমক্তি কৈশামথোংগী ভোটর অমা ওইনা সাপম নিশিকান্তবু হন্না হন্না থাগৎচনীংই।

ঐখোয়না সুম তাজবদা কৈশামথোংগী ফীভম শোক্লবা লম্বী-থোংশিং শেমজিন-শাজিনবগী প্রোজেক্টসু পায়খৎপা হৌরগনি হায়। মসিগীসু নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি। অফবা এম এল এ অমগী অফবা ৰাখল্লোন্না হেন্না হেন্না মশক থোকপা কন্সটিট্যুএন্সি অমা ওইহনবীয়ু। মিনিষ্টর ওইবা ঙাক্তনা লৈবাক্কী থৌগল তৌগদবা নত্তে। থম্মোয় শেংবা, কথোকপগী পুকচেল চেনবা, চঙ থোকপা মীশক্কি খন্না মীয়াম্না থাগৎচখিবনি। শেল শিকি অমা অমা ফাওবা চাজরোই, লোকল এরিয়া দিভেলপমেন্ট ফন্দদগী ফাওবা লুপা অমগী হিসাব চেন্নহল্লোই হায়না ৰাশকপীখিবদু ঙাক্লা চৎপা ঙম্বা ওইবীয়ু।

চাওখৎপা হায়বসিদা অহানবদা ইশা, মথংদা ইমুং-মনুং, কৈরোই-লৈকায় লোয়ননা কন্সটিট্যুএন্সি মথং-মনাও নাইনা শেমদোকপা চঙই। লুচিংবা অমা ওইনা য়ারিবমখৈ মীয়ামদগী লাপথোকপীগনু। মীয়ামগী ইহুল খঙনা চৎলিবমখৈ মায়থীবা মশক খঙলোই। মতম শাংনা মীয়ামগী থৌগল তৌবীরকখো। মীয়াম্না নুংশিনা থাগৎখিবনি, মীয়ামগী লুচিংবা অদুম্মক ওইবীয়ু। অফবা, চাওখৎপা ষ্টেট অমগী লুচিংবা ওইবীরকউ।

অদোমগী - বী সি খুমন

# লোক্তাক ইমাগী মশাইকোন্দা ৩শুবা কালেন আর্ট এগজিবিশন ২০২৫ # ৩

- আর কে বুধিমন্ত কর্টা -

লোক্তাককী অহোংবা হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা মীপাইজবা কয়া কয়ানা লাউজরি লোক্তাক কনসি অদুবু মতমগী চাওখৎলকপগী অহোংবা কয়ানা ইমাগী শক্তমদা অকায়বা পীবিবদি হেনগৎলক্লি। মরম অসি লৈবনা ইরমদম অসিগী শক্লাইরবা ফিল্ম মেকর কয়ানা চোংথোরক্লি ইমাগী শক্তম অসি মমিগী খূথাংদা লৌশিনজবা ঙমদুনা লীরম্লগে মালেম পূম্বদা, ঐখোয়গীসু লৈজে লোক্তাক ইমা হায়বগী পান্দমদা লমদমসিগী লময়ানবা ফিল্ম মেকর ঐজ্ঞা এ শ্যাম শর্ম্মনা কুমজা ১৯৯৮দা "the dying lake of Manipur" ফিল্ম অসিনা পাউজেনখি মালেমদা লোক্তাক ইমাসি অমুক্তা কনমিন্নসি হায়না মখোল থোক্লা লাউখি। মমাঙদসু "The dancing deer of Manipur" কৌবা দোকুমেন্টরি ফিল্ম অমসু কুমজা ১৯৮৭তা পুথোকখ্রবনি ঐজ্ঞা শ্যামনা। ঐজ্ঞাগী ফিল্ম অনীমক মনা-মথুম ফংখিবা ঙাক্তনি।

হৌজিক হৌজিক্কী মীরোলদা মীয়াম্না শকখঙনরবা শক্লাইরবা ফিল্ম মেকর হাওবম পৱনকুমারনা পুথোরকখি 'লোক্তাক লাইরেম্বী' ফিল্ম অসি মপূং ফাবা ওন্থোক্লা নুংশিখ্রবা ফিল্ম অমা ওইখি, ফিল্ম অদুনা লোক্তাক ইমাবু হেন্না নুংশিবা পোকহল্লি। কায়থরক্লিবা ইমাগী শক্তম কনবদা ঐসু য়াওজগে ফাওহনবা ঙম্বা ফিল্ম হায়বদো ওইখি। মালেমগী ফিল্ম ফেষ্টিবেল কয়াদা উৎপদা মনা-মথুম কয়া ফংখি। সিদসু নত্তনা হাওবম পৱনকুমারনা 'ফুমশঙ' কৌবা দোকুমেন্টরি ফিল্ম অসিসু পুথোকখি। ফিল্ম অসিদা লোক্তাককী কায়থরক্লিবা, লোক্তাকতা চেন্থরক্লিবা অমোৎপা, প্লাষ্টিক বোটুল অসিনা লোক্তাককী তুংগী পূন্সিদা লোক্তাক অসিবু কয়াম কুইনা হিংখিগদগে হায়বা ৰাহং অদু ফিল্ম অসিনা ফোঙদোক্লি। ফিল্ম অসি উরুবদা থম্মোয়দা থুক লাউনা নুংঙাইতবা ফাওহল্লি, খুদক্তা লোক্তাক কনবা য়াওনীংই। ফিল্ম অসিসু পৱনকুমারগী ওইনদি মশক থোকপা ফিল্ম অমা ওইদুনা মালেমগী মশক থোকপা ফেষ্টিবেল কয়াদগী মনা-মথুম কয়াসু ফংখি।

শক্লাইরবা ফিল্ম মেকর রোমি মৈতৈনসু পুথোরকখি 'ঐখোয়গী য়ূম'। ঐখোয়গী য়ূম হায়রিবা ফিল্ম অসিনা লোক্তাককী ঈয়াইদা তাওদুনা লৈরিবা ফুমদি থক্তা শাদুনা লৈরিবা ফুমশঙশিংদুদা লৈরিবা পূন্সিশিংগী অৰাবা ৰারী কয়া লীবীরি। ফিল্ম অসিগী খ্বাইদগী নুংশিবা অমদি লাইরিক তমজনীংবা পীক্লিবা নুপামচা অমনা নুমিৎ খুদিং মপানা হী হোন্দুনা স্কুল চৎলম্বদু লায়রবনা হেনমনখিবদগী মপাগী অনা লায়েংগী শেল লৈতবনা মরম ওইবদগী য়োন্থোকপা তারকখি হী অদু। হী অদু য়োন্থোকখ্রবদা স্কুলদা চৎতুনা লাইরিক তমজনীংবা অঙাং অদুনা করম্না স্কুল চৎকদগে পাম্বৈ থিরকপদা মহাক্কী লাইরিকখাওদু মকোক্তা কিখৎলগা মশা পূম্বনা ঈশিংদা লৈ। মকোকখক লিংখৎলগা ইরোইদুনা কংফালদা লৈরিবা স্কুলদু কাখি, মসিগী মতাং অসিনি অয়েংবা মীয়াম্না থুক লাউনা নুংশিখিবা মতাং অদুনি ঐনা নৌহৌননা পঞ্জরিবা। ফিল্ম অসি মালেমগী মরু ওইবা ফেষ্টিবেল কয়াদা উৎখ্রে অমসুং লেমজনীংঙাই ওইবা মনা মথুম কয়া ফংদুনা মালেমদা অসিগুম্বা পূন্সি মহিং কয়াসু লৈরি হায়না লোক্তাক ইমাবু মালেমদা শক তাকখি। শক্লাইরবা সোশল এক্টিভিষ্ট, ফিল্ম মেকর নিংথৌজা লানচানসু মহাক্লা দিরেক্সন পীখিবা ফিল্ম 'মমি শামি' ফিল্ম অসি ইনৌ নৌবা মখল অমা ওইনা পুথোরকখি। ফিল্ম অসিগী মওং মতৌ ইনৌ নৌখি। ফিল্ম অসিসু মপূং ওইনা লোক্তাকতা য়ূম্ফম ওইবা শরুক কয়ানি। মমাঙথক্তসু অঞ্জনা ফিল্মসকী বেন্নর মখাদা কুমজা ১৯৯৭তা পুথোকপা শক্লাইরবা মণিপুরগী ফিল্ম মেকর মোইরাংথেম নিলমনিনা দিরেক্সন পীদুনা পুথোকখিবা খম্বা থোইবী ফিল্মদসু লোক্তাককী মতাং য়াওরি। অতোপ্পা অমনা সী এস ফিল্মসকী বেন্নর মখাদা চান্দম শ্যামচরননা দিরেক্সন পীদুনা পুথোকখিবা 'খম্বা খম্নু' ফিল্মদসু লোক্তাকথক্তা খম্নুনা মৌপ্পা খম্বগা হী হোনবগী সিন কয়া য়াওরি। য়াম্না নুংশিবা অমনা শক্লাইরবা ওজা খাইদেম প্রমোদিনিনা পুথোকখিবা মচু শঙবা মণিপুরী ফিচর ফিল্ম 'লাংলেন থাদোই' হায়রিবা ফিল্ম অসিসু লোক্তাকতা বেজ তৌবা ৩৫ এম এমদা নম্বা ফিল্মনি। ফিল্ম অসিনা মণিপুরগী কলর ফিল্ম অহানবনি। ওজানা হায়খিবা অমা লৈ, লোক্তাককী শক্তম অসি অহোংবা কয়া লাক্লে, নোংমদি নীংথিরবা, নুংশিরবা লোক্তাককী শক্তমসে মাঙখিবসু য়াই। মরম অসিননি ঐনা কলরদা পুথোক্লিবসি। ওজানা খঞ্জরম্বা মহাক্কী অশানবা মীৎয়েং থাগৎতবা ঙমদে।

অসুম্না লোক্তাক ইমাবু মালেমদা শক্তাকপদা ফিল্ম মেকর কয়ানা মখোয় মখোয়গী ফিল্ম কয়াদা লোক্তাক ইমাগী ঈয়াইদা হী হোন্দুনা ঈশৈ শকপগী মতাং অমা হাপ্পববু ওইরো, লোক্তাককী মচেৎ অমত্তং ওইরবসু হাপ্পবা হোৎনৈ। লোক্তাক ইমাগী শক্তম মচেৎ অমত্তা ওইরবসু য়াওদ্রবদি দিরেক্টরশিংগী অপেনবা ওইদে। শৈশকপা কয়ানা লোক্তাক ইমাবু শৈথাবা ঈশৈ কয়া শক্লরি অমসুং ফিল্মগী ঈশৈ কয়াদসু লোক্তাক ইমাবু শৈথাজবা নুংশিরবা ঈশৈ মশীং থিঙমদনা শক্লরি। কবি কয়ানা লোক্তাক ইমাবু শৈথাজরি পেনবা নাইদনা য়াম্না নুংশিনা মখোয় মখোয়গী শৈরেংদা। কবিশিংনা লোক্তাক ইমাগা শানজরি ৰারী কয়া। তল্লি কবিশিংদা ইমাগী পেন্দবা অৰাবা কয়া মিৎলু পিরাং শিন্থনা কপমিন্নরি খোরিরোল শূরিবা খূৎতা খোর্জেই পায়রিবা কবিগা। লোক্তাক ইমাগী তম্পাকথক্তা ইমানা পূন্নমকপু কোনশিন্দুনা পম্বীবগুম চাওরবা মোটোর বোট অমগী মথক্তা মণিপুরগী খোরিরোলগী পুৰারীদা অতাঙবা খোরিরোলগী কুম্মৈ অমা ওইনা ২০১৪দা অমেরিকান সিটিজন ওল্লবা philip Nikolayev (Russian poet) য়াওনা শাথৌলূপনা শিন্দুনা ইম্ফাল লিটরেচর ফেষ্টিবেল লোক্তাক পাৎকী ঈয়াইথক্তা পাঙথোকখি। ২০১৯দসু বাংলাদেশকী কবি Abul fateh, Madhab Roy অমসুং Abid Faysal নচিংবা কয়া য়াওনা লোক্তাককী ঈয়াইদা হীথক্তা শৈরেং শৈদিন অমা পাঙথোকখিবদু খোরিরোলগী পুৰারী অমা শেমখ্রবনি। ২০২২দা শাথৌলূপনা শিনখিবা ইম্ফাল লিটরেচর ফেষ্টিবেলদসু শ্রীলঙ্কাগী শক্লাইরবা কবি Ayathurai Santhan য়াওনা Mawalii, Lesotho, tibetan গী পোইট য়াওবা শৈরেং শৈদিন অমা লোক্তাকতা পাঙথোকখি। ২০১৫দসু শাথৌলূপনা শিন্দুনা রাইটর কেম্প অমা ওক্টোবর ১৮-১৯ ফাওবা পাঙথোকখি। লোক্তাক ইমাগী মশাইকোন্দা লৈরিবা থাঙ্গ কৌবা লমদম অসিদা খোরিরোলগী লূপ লোক্তাক খোর্জেই লূপসু পোকখিবনি। অসুম্না থাঙ্গ লমদম অসিগী আর্ষ্টি, কবি কয়ানা মণিপুরগী আর্ট এন্দ কলচরবু অৰাংবা থাক্তা থল্লিবা লমদম অমনি । পূন্নমক অসি পূক্লিং থৌগৎপীবা মীওই কয়া লৈবনা ঙম্বনি লৌজগে।



৪৬-অসাম রাইফলসকী মেজর ডা. অজান্তনা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট শ্রীমতি দ্রৌপদি মুরমুদা বুধিমন্তনা য়েকপা লোক্তাক পেন্টিং খুদোল তম্বা

ৰারেং অসি ইজরিবা ঐহাকসু লাইয়েকপনা শিনফম ওইজবনা ঐহাক্লা য়েকখিবা লোক্তাককী পেন্টিং কয়া য়ু এস এ য়াওনা মালেমগী মফম কয়া শিন থুংখ্রে। ইন্দিয়া মনুংদদি ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুরমু, ইন্দিয়াগী এক্সটর্নেল এফেয়রস মিনিষ্টর ডা. এস জায়শঙ্কর য়াওরি। ইন্দিয়াগী ত্রান্সপোর্ট মিনিষ্টর নিটিন গদকরিদসু এল দি এগী চেয়রমেন অশনিকুমারনা ঐনা য়েকচবা লোক্তাককী লাই অমা খুদোল তৌখ্রে। মণিপুরদা লৈরিবা লাইয়েকপা অয়াম্বা লোক্তাক য়েক্তবা আর্ষ্টি ইরৈ লৈরম্লোই। অঙাংনা লাইরিক তম্বা হৌগৎলকপদা এ বি সী ইবা তম্বনা ইহান হান্না হৌবগুম পীক্লিবা অঙাংশিংনা পেন্টিং য়েকপগী চাংদম্নবা কয়াদা লোক্তাককী লাই য়েকপা য়াম্না থেংনৈ। লাই য়েকপগী মতাং অসিদা ঐনা নৌহৌননা নীংশিংলকপা ৰারী অমদি - ঐগী অপোকপা মীয়াম্না আর কে সী এস হায়না খঙনরিবা অসিবু পোকপীরম্বা ঐগী ইথৌ অসি মণিপুরগী লময়ানবা লাই য়েকপা অমা ওইরমখি। লাইয়েকপগী পুৰারী নৈনরকপদা রাজকুমার য়ূমজাওস্না (১৮৭০-১৯৫৪) কানবা য়ারোই। য়ূমজাওস্নাগী অপোকপা রাজ কুমার গৌরসিং (১৮২৮-১৯২২) ইথৌ পুরেনসু লাইয়েকপা অমা ওইরমখি। লাই য়েকপগী পুৰারীদা ৰারেং অসি ইজরিবা ঐহাক্লা ইমুং অমদা খ্বাইদগী শাংনা লাই য়েকপগী শিনফমদা মখা চত্থরকপনি। ইথৌ য়ূমজাওস্নানা ১৯৩০ অদুৰাইদা থাঙ্গ খুঞ্জাওদা লৈবা বামোন লাইশঙ অমগী মান্দোপতা থেৎনবা হিন্দু লাইনীংগী লাই কয়া য়েক্লম্মী। লাইশিংদু ঐগী ইখুরা অতোম্বা আর কে সনাতোম্বা দি আই পি আরগী দিজাইনর ওইবিরম্বনা ঐগী য়াম্ফু য়াইমা আর কে প্রমোদকা লোয়ননা ১৯৭৬ অদুৰাইদা থাঙ্গদা চৎতুনা ইথৌগী লাইশিংদুগী খোঙ্গুন লীরুবদা লাইশিং অদু মান্দোপ্তা থেৎলম্মী অদুবু মান্দোপ ময়া নক্লা লৈবা ৰালহৌবম (চাকশঙ) দগী থোরকপা মৈখুনা য়ৈবদগী লাইশিংদু মুশিল্লকপা অমসুং মান্দোপ্তা চহী কয়া থেৎপা ওইবনা লৌথদুনা কোনশিল্লগা বৃন্দাবন চৎপদা পুরগা গঙ্গাগী শেংলবা ঈশিংদা থাদখ্রে তল্লকই। মতমদুদা য়ূমজাওস্নানা থাঙ্গ মনুংদা লাই য়েক্লম্মী হায়বসি হী তোংদুনা চঙলগা য়েক্লম্বনি। ৰারী অসি ঐখোয়গী অপোকপা অমসুং ইখুরাদা ইথৌ য়ূমজাওস্নানা লীরম্বদগী খঙহৌবনি। ● *(মখা চত্থজরকখিগনি)*

**চুমথোকচবা :**- আর্টিকেল অসিগী মমাঙগী অনীশুবা ইস্যুগী অনীশুবা পেরগ্রাফতা য়াওখিবা **'তিনগী'** হায়খিবদু *'তিংঙি'* অদুগা **'মৈচুংঙা'** হায়খিবা অদুনা *'মৈতুংঙা'* লোয়ননা অরোইবা পেরগ্রাফতা য়াওখিবা **'লোং'** হায়খিবশিং অদুনা *'লাং'* হায়না পাবীয়ু।